

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, TUESDAY, JULY 02, 2019 PAGE 7


*ইংলেন্দগা শান্নখিবা মেটচতা খোঙশা শোকপদগী চখরিবা ৱার্ল্ড কপকী মখা তাবা মেটচশিং য়াওবা ফংলরোইদৌরিবা ইন্দিয়াগী ওল রাউন্দর বিজয় সঙ্কর*

*ইটালিগী ফুটবোল টুর্নামেন্ট সেরি এগী ক্লব ইন্টরদা কুমজা ২০২২ ফাওবা শান্নবগী সাইন তৌখ্রবা উরুগ্বে মচা দিএগো গোদিন*

# আই সি সি ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপ ঃ শ্রী লঙ্কানা ৱেষ্ট ইন্দিজবু রন ২৩ দা মায়থিবা পীখ্রে



*লন্দন, জুলাই ০১ (এজেন্সি)ঃ*
ইংলেন্দ অমদি ৱেলসনা য়ুম্বু ওইদুনা চথরিবা আই সি সি ৱার্ল্ড কপকী ঙসি শান্নখিবা ৩৯শুবা মেটচতা শ্রী লঙ্কানা ৱেষ্ট ইন্দিজবু রন ২৩ দা মায়থিবা পীখ্রে।

৩৯শুবা মেটচ অসিগী টোস ৱেষ্ট ইন্দিজনা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। শ্রী লঙ্কানা হান্না বেট্টিং তৌদুনা শান্নরকপদা ওভর ৫০ দা ৱিকেট ৬ আওট ওইরগা রন ৩৩৮ লৌবা ঙমখি।

শ্রী লঙ্কাগী বেট্টিং হৌবদগী ফিভম ফজরকখি। ওপনর দিমুথ করুনারত্নে রন ৩২ লৌরম্লগা আওট ওইখি। অতোপ্পা ওপনর কুসাল পেরেরাসু বোল ৫১ মায়োক্নবদা ফোর ৮ য়ৈরগা রন ৬৪ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

অহুমশুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা অভিসকা ফর্নান্দোনা ৱেষ্ট ইন্দিজগী বোল্লরশিং অদু নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমদুনা বোল ১০৩ দা সিক্স ২ অমদি ফোর ৯ য়ৈরগা রন ১০৪ লৌরম্বা অসিনা টিম অসিগী খ্বাইদগী ফজবা স্কোর ওইখি।

৪শুবা বেটসমেন কুসাল মেন্দিজগী রন ৩৯, ৫শুবা বেটসমেন এঞ্জেলো মেথ্যুজগী রন ২৬ অমদি ৬শুবা বেটসমেন লাহিরু থিরিমান্নেনা বোল ৩৩ দা রন ৪৫ লৌরম্বা অসিনা মপুং ওইরগা ওভর ৫০ শান্নখিবদা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ৩৩৮ লৌরমখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী বোল্লিংদা কেপ্টেন জেসন হোল্ডরনা শ্রী লঙ্কাগী বেটসমেন অনী আওট তাহনবা ঙমখি। সেলডন কোট্রেল, ওসানে থোমস অমদি ফাবিয়ান এল্লেনসু শ্রী লঙ্কাগী বেটসমেন অমমম আওট তাহনবা ঙমখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজনা মায় পাক্নবগী রন ৩৩৯ লৌবগী মথৌ তাখিবা অদু ওভর ৫০ দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ৩১৫ লৌখিবদগী মেটচ অদু শ্রী লঙ্কানা রন ২৩ দা মায় পাকখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী বেটসমেন অনী রন ৩০ য়ৌদ্রিঙৈদা আওট ওইখি। ওপনর খৃষ্ট গেলসু রন ৩৫ লৌরম্লগা আওট ওইখি। ৪শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা সিমরোন হেটমেয়রসু রন ২৯ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী ইন্নিংস অসিদা ৫শুবা বেটসমেন নিকোলাস পুরাননা বোল ১০৩ দা সিক্স ৪ অমদি ফোর ১১ য়ৈরগা রন ১১৮ লৌরম্বা অসিনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি।

**Today's Match**

Match No. 40
Bangladesh vs **India**
Venue: Edgbaston, Birmingham
Time (in IST) : 3.00 pm

**ICC Cricket World Cup 2019 - Points Table**

| Teams | M | Won | Lost | Tied | NR | Pts | NRR |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Australia | 8 | 7 | 1 | 0 | 0 | 14 | +1.000 |
| India | 7 | 5 | 1 | 0 | 1 | 11 | +0.854 |
| New Zealand | 8 | 5 | 2 | 0 | 1 | 11 | +0.572 |
| England | 8 | 5 | 3 | 0 | 0 | 10 | +1.000 |
| Pakistan | 8 | 4 | 3 | 0 | 1 | 9 | -0.792 |
| Sri Lanka | 8 | 3 | 3 | 0 | 2 | 8 | -0.934 |
| Bangladesh | 7 | 3 | 3 | 0 | 1 | 7 | -0.133 |
| South Africa | 8 | 2 | 5 | 0 | 1 | 5 | -0.080 |
| West Indies | 8 | 1 | 6 | 0 | 1 | 3 | -0.335 |
| Afghanistan | 8 | 0 | 8 | 0 | 0 | 0 | -1.418 |

# স্পেননা জর্মনিবু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীদুনা য়ুরো য়ু-২১ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌখ্রে

*উদিন, জুলাই ০১ (এজেন্সি)ঃ*
ইটালিনা য়ুম্বু ওইদুনা মমাঙ থাগী ১৬তগী চখরকপা য়ুরো য়ু-২১ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা স্পেননা জর্মনিবু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীদুনা ৫শুবা টাইটল লৌখ্রে।

য়ু ই এফ এ য়ু-২১ চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী মমাঙদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা সিজন অসিগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা স্পেনগী য়ু-২১ ফুটবোল টিম্না ফ্রান্সকী টিম্বু গোল ৪-১ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

অমরোমদা রন্নর্স অপ তাহৌরবা জর্মনিগী য়ু-২১ ফুটবোল টিম্না মমাঙদা শান্নখিবা মখোয়গী সেমি ফাইনেল মেটচতা রোমানিয়াগী য়ু-২১ টিম্বু পাঞ্জল ৪-২ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙবা ঙম্লকপনি।



টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি ইটালিগী সিটি উদিনদা লৈবা ষ্টদিও ফ্রিয়ুলিদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদু হেক হৌরকপদগী স্পেনগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চখ্দুনা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনদুনা লাকখি। মেটচকী ৭শুবা মিনটতা এটেক হেন্না চখবা ঙমখিবা স্পেনগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা ফাবিয়াননা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

পাঞ্জল অমা শোখ্দুনা লৈরিবা জর্মনিগী শান্নরোইশিংনা অকনবা এটেক চখ্দুনা ইক্বেলাইজর ওইনবা হোৎনরকখিবশিং অদু স্পেনগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমদুনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমহন্দনা থমখি। পাঞ্জল মাঙজিল থারিবা স্পেনগী শান্নরোইশিংনা জর্মনিগী শান্নরোইশিংদা অকনবা প্রেসর পীদুনা অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নবা কয়ারক হন্না হোৎনখিবশিং অদু অরেম্বা তাদুনা লাকখি।

স্পেনগী শান্নরোইশিংনসু খুদোংচাবা হেক ফংবগা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখিবা এটেকশিং অদু মায় পাকপা ঙমদনা অহানবা হাল্ফকী শান্নবা লোইশিনখিবা ফাওবদা স্পেননা জর্মনিবু ১-০ দা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদসু পাঞ্জল মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা স্পেনগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চখ্দুনা লাকখি। মেটচকী ৬৯শুবা মিনটতা স্পেনগী শান্নরোই দানিয়েল ওলমোনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২-০ দা মাঙজিল থাদুনা টাইটল লৌবগী লম্বেল নকশিনহনখি।

জর্মনিগী শান্নরোইশিংনা শোখখিবা গোল অনী অদু হনে দাক্নবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইখি। মখোয়না চখরকখিবা এটেকশিং অদু স্পেনগী শান্নরোইশিংনা লম্বা মান্ননা মায়োক্নদুনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমহন্দনা লাকখি।

মেটচকী অপীবা মতম লোইগদবা মিনট ২ ৱাৎলিঙৈদা পাঞ্জল অনী শোখ্দুনা লৈরিবা জর্মনিগী শান্নরোইশিংনা চখরকখিবা এটেক অমদা নাদিয়েম আমিরিনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখ্রবসু য়ুরো য়ু-২১ গী ফাইবেল মেটচ অদু স্পেননা জর্মনিবু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীরম্লগা ৫রকশুবা টাইটল লৌবা ঙমখি।

# ইন্দিয়াগী সট্টলর প্রনিথ অমদি প্রনোইনা কানাদা ওপন বেদমিন্টনদা মীৎয়েং থল্লি





*কালগেরি, জুলাই ০১ (এজেন্সি)ঃ*
কানাদাগী সিটি কালগেরিদা হয়েংদগী শান্নবা হৌগদৌরিবা য়ু এস দোল্লর ৭৫,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা কানাদা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপা সট্টলর প্রনিথ অমদি প্রনোইনা ফজবা পার্ফোমেন্স পীনবা অকনবা মীৎয়েং থল্লি।

কুমজা ২০১৭ গী সিঙ্গাপোর ওপন বেদমিন্টনগী চেম্পিয়ন ওইখিবা প্রনিথনা চহী অসিগী মার্চ থাদা পাঙথোকখিবা স্বিজ ওপন বেদমিন্টনদা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা ফাইনেল য়ৌখ্রবসু চাইনাগী সি য়ুক্কীগী মখূত্তা মায়থিহৌদুনা রন্নর্স অপ তাহৌবনি।

কানাদা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিদা অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা ইন্দিয়াগী বি সাই প্রনিথনা অহানবা রাউন্দ বাই ফংদুনা অনীশুবা রাউন্দদা য়ু এসকী নিকোলাস রোবার্ট হেন্সন অমদি চাইনাগী সুন ফৈ জিয়াংগী অথোইবগা লম্বা তৌনগনি।

মশাগী চহী ২৫ শুরবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপা সট্টলর ঐচ এস প্রনোই চৎলিবা চহী অসিদা ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদনা লৈরিবনি। প্রনোই কানাদা ওপন অসিদা অহুমশুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারি। মহাক অহানবা রাউন্দ বাই ফংদুনা অনীশুবা রাউন্দদা জপানগী কোকী ৱাটানবে অমদি কানাদাগী জেসন এন্থোনিগী অথোইবগা শান্নদুনা কেম্পেন হৌদোক্কনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপা সট্টলরশিং অদুদি সৌরভ ভর্ম, পরুপল্লি কাশ্যপ, অজয় জয়ারাম অমদি নহা ওইরিবা লক্ষ্য সেননি। লক্ষ্য সেনদি সেনিয়রগী টুর্নামেন্ট অসিদা অহানবা ওইনা শরুক য়ারকপনি।

নেসনেল চেম্পিয়ন ওইরিবা সৌরভ ভর্মনা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দদা টর্কিগী শান্নরোই ইমরে লালেগা লম্বা তৌনগনি।

মমাঙদা ৱার্ল্ড নম্বর ১৩ ওইরম্বা ইন্দিয়াগী সট্টলর অজয় জয়ারামনা অহানবা রাউন্দদা ক্বালিফায়র অমগা শান্নগনি।

সেনিয়র লেবেলদা অহানবা ওইনা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা সট্টলর লক্ষ্য সেননা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দদা ন্যু জিলেন্দগী অভিনাভ মানোটাগা লম্বা তৌনগনি।

ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা সট্টলর পি ভি সিন্ধু, সাইনা নেহৱাল অমদি কিদম্বী স্রিকান্থ কানাদা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াররোই।

# ভাইভাভ যাদবনা দব্লিয়ু বি সি এসিয়া টাইটল লৌখ্রে

*পাট্টায়া, জুলাই ০১ (এজেন্সি)ঃ*
ৱার্ল্ড বোক্সিং কাউন্সিল (দব্লিয়ু বি সি) গী লুচিং মখাদা এসিয়ান বোক্সিং কাউন্সিলনা শীন্দুনা ঙরাং অথেংবদা পাঙথোকপা প্রো বাওট অমদা ইন্দিয়াগী প্রোফেসনেল বোক্সর ভাইভাভ যাদবনা থাইলেন্দগী ফাপেটচ সিংমানাসাকপু মায়থিবা পীদুনা দব্লিয়ু বি সি এসিয়া সিলভর ৱেল্টরৱেঠকী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

থাইলেন্দগী সিটি পাট্টায়াদা পাঙথোকখিবা দব্লিয়ু বি সি এসিয়া টাইটল প্রো বাওট অদুদা ইন্দিয়াগী বোক্সর ভাইভাভ যাদবনা থাইলেন্দগী বোক্সর ফাপেটচ সিংমানাসাকপু অহৌবা রাউন্দগী হৌনা লাকশিন্দুনা থম্বা ঙমখি।

বাওট অদুগা অহুমশুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী বোক্সর ভাইভাভ যাদবনা থাইলেন্দগী বোক্সর ফাপেটচ সিংমানাসাকতগী পোইন্ট য়াম্না হেনখিবগা লোয়ননা নোকআওট তাহন্দুনা দব্লিয়ু বি সি এসিয়া সিলভর ৱেল্টরৱেঠকী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

নৌনা দব্লিয়ু বি সি এসিয়া সিলভর ৱেল্টরৱেঠকী চেম্পিয়ন ইন্দিয়াগী প্রো বোক্সর ভাইভাভ যাদব কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসকী গোল্ড মেডালিষ্ট ইন্দিয়াগী ভিকাস কৃষ্ণনগী কজিননি।

# মমাঙগী চেম্পিয়ন সর্ভিয়াগী জোকোভিস অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে, রোমানিয়াগী হালেপসু মায় পাকখ্রে





*লন্দন, জুলাই ০১ (এজেন্সি)ঃ*
মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা পাঙথোকপা গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মকোক থোংবা টুনামেন্ট ওইরিবা ইংলেন্দগী কোনুং লন্দনদা ঙসিদগী হৌখিবা ৱিম্বলদন চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা মায় পাক্কুনা মমাঙগী নুপাগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিস অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে, রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপসু অহানবা রাউন্দ মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিসনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা জর্মনিগী ফিলিপ কোলস্ক্রেবরবু ষ্ট্রেট সেট ৬-৩, ৭-৫, ৬-৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৪শুবা সিদেদ ওইরিবা সাউথ অফ্রিকাগী কেভিন এন্দরসননা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী শান্নরোই পিয়েরি হুগেস হর্বটপু ষ্ট্রেট সেট ৬-৩, ৬-৪, ৬-২ দা য়াম্না লায়না মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ২২শুবা সিদেদ ওইরিবা স্বিটজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিনকানা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ক্বালিফায়র ওইরিবা বেলজিয়মগী রুবেন বেমেলমান্সপু ৬-৩, ৬-২, ৬-২ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

ৱিম্বলদন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৭শুবা সিদেদ ওইরিবী রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা বেলারসকী অলিয়াকসান্দ্র সাসনোভিসপু ষ্ট্রেট সেট ৬-৪, ৭-৫ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইনা শরুক য়ারিবা চেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভানা অহানবা রাউন্দদা চাইনাগী ঝু লিনবু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬-২, ৭-৬(৭-৪) দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

৮শুবা সিদেদ য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনানা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ওষ্ট্রেলিয়াগী দারিয়া গাভ্রিলোভাবু ষ্ট্রেট সেট ৭-৫, ৬-০ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

মমাঙদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্বী অদুগা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ জপানগী নাওমী ওসাকা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা কজাখষ্টানগী শান্নরোই য়ুলিয়া পুটিনসেভাগী মখূত্তা ৬-৭(৪-৭), ২-৬ মায়থিহৌখি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা ১২শুবা সিদেদ লাটভিয়াগী অনাষ্টেসিজা সেভাষ্টোভানা অহানবা রাউন্দদা য়ু এসকী শান্নরোই কৃষ্টি অনবু ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙদুনা স্বিটজরলেন্দগী ভিক্তোরিজা গোলুবিক্কা লম্বা তৌনরগনি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ১০শুবা সিদেদ ওইরিবী বেলারসকী অরিনা সবালেনকা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা স্লোভাকিয়াগী মাগদালেনা রাবারিকোভাগী মখূত্তা ২-৬, ৪-৬ দা মায়থিদুনা লৈহৌখি।

# উরিষা গভর্ণভেন্টনা য়ুম্বু ওইবগী এম ও য়ু সাইন তৌখ্রে

*কট্টক, জুলাই ০১ (এজেন্সি)ঃ*
উরিষা গভর্ণমেন্টনা ২১শুবা কম্মনৱেল্‌ঠ টেবল টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ য়ুম্বু ওইনবা ষ্টেট টেবল টেন্নিস বোদি অমদি টেবল টেন্নিস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (টি টি এফ আই) গা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং ( এম ও য়ু) অমা সাইন তৌনখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসি য়ুম্বু ওইবনা ষ্টেট অসিদা মশান্না কয়া মরুওইনা টেবল টেন্নিস চাওখৎপদা হেন্না মতেং পাঙলগনি হায়না ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর নবিন পটনাইকনা ফোঙদোকখ্রে।

নীংশিংবা য়াই কুমজা ২০১৩ অমদি ২০১৫গী কম্মনৱেল্‌ঠ টেবল টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপসু ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবনি।

# জমাইকা অমদি য়ু এস এ মায় পাক্কুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

*ফিলাদেলফিয়া, জুলাই ০১ (এজেন্সি)ঃ*
জমাইকা অমদি য়ু এস এ মখোয়-মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিং মায় পাক্কুনা কোনকাকেফ গোল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে।

কোনকাকেফ গোল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা জমাইকানা পানামাবু গোল ১-০ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

জমাইকা অমদি পানামানা শান্নখিবা মেটচ অসি য়াম্না লম্বা মান্নখিবদগী অহানবা হাল্ফকী অপীবা মতম লোইশিনখিবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৭৫শুবা মিনটতা জমাইকানা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা টিম অসিগী শান্নরোই দারেন মাট্টোক্সনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখিবা অদু মেটচকী অপীবা মতম লোইশিনবা ফাওবা লৈখিবদগী জমাইকানা পানামাবু ১-০ দা থোইরম্লগা সেমি ফাইনেল চঙখি।

কোনকাকেফ গোল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা য়ু এস এনা কুরাকাওবু ১-০ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল চঙখি।

মেটচ অসিদা য়ু এস এগী মায়কৈদগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু অহানবা হাল্ফকী শান্নরকপা মেটচকী ২৫শুবা মিনটতা ৱেষ্টন মেককেন্নিনা চনবা ঙমখিবনি।

**ক্রোসৱার্দ ২০৬ গী পাউখুম**

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| H | O | O | F | ■ | M | I | L | A | N | ■ | O | B | O | E |
| A | R | G | O | ■ | E | V | A | D | E | ■ | P | R | O | D |
| M | E | R | R | Y | W | I | D | O | W | ■ | E | I | N | E |
| S | L | E | E | P | L | E | S | S | ■ | O | R | G | A | N |
| ■ | ■ | ■ | M | R | E | D | ■ | ■ | U | T | A | H | ■ | ■ |
| E | C | H | O | E | D | ■ | M | A | L | I | ■ | T | I | C |
| G | R | A | S | S | ■ | K | A | T | E | S | ■ | E | R | A |
| R | A | P | T | ■ | C | A | N | O | E | ■ | R | Y | E | S |
| E | S | P | ■ | D | E | N | I | M | ■ | B | U | E | N | A |
| T | H | Y | ■ | A | R | E | A | ■ | S | A | S | S | E | S |
| ■ | ■ | F | A | Z | E | ■ | ■ | H | A | S | H | ■ | ■ | ■ |
| S | T | E | V | E | ■ | G | U | A | T | E | M | A | L | A |
| C | O | L | A | ■ | J | O | L | L | Y | R | O | G | E | R |
| A | I | L | S | ■ | I | N | N | E | R | ■ | R | E | A | M |
| B | L | A | T | ■ | B | E | A | R | S | ■ | E | S | P | Y |


**MANIPUR STATE MEDICINAL PLANTS BOARD**
DIRECTORATE OF AYUSH, LAMPHEL, IMPHAL WEST, MANIPUR-795004
Regd. No. 384/M/SR/2009 of 07-07-2009
Under Manipur Societies Registration Act, 1989
Tele/Fax: 0385-2416037 e-mail: manipursmpb@gmail.com
website: www.smpbmanipur.org

**ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / NOTICE**

*Imphal, 29th June 2019*

**F.No. SMPB-(NAT.CAM2019(Pt) :** The State Medicinal Plants Board, Manipur, Directorate of AYUSH, Lamphelpat requires some planting materials/saplings of Tinospora Cordifolia/Giloy (Ningthoukhongli in Manipuri) for launching of National Campaign on Tinospora under the aegis of National Medicinal Plants Board, New Delhi.

It, is therefore, all intending Govt./Private/Individual having potential to supply planting materials / saplings of Tinospora Cordifolia are requested kindly to apply immediately.

Sd/-
**( Dr. A. Guneshwor Sharma )**
CEO/Member Secretary, SMPB
Directorate of AYUSH,Lamphelpat
Contact No. 9436029231/ 9366365450
E-mail : manipursmpb@gmail.com

*SL/Bill(U)/02*